HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses




অমজু অমসুং এদিটরস গিল্ডগী মীহুৎশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্দুনা লোকদাউননা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মীদিয়া হাউসশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মতাংদা খন্নখিবা

লামায় ১



মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা লুচিংবা টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টর ৩গী ফীভম য়েংশিনখিবা

লামায় ৫



যাইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজকী ৩০শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা কোলেজ অসিদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক লঞ্চ পেকশিং তেংবাংখিবা



আই জি এ আর (সাউথ)কী মায়কৈদগী কার্মেল জোটি চিলড্রেন ক্যের হোমদা ৱাটর প্যুরিফাইয়র, কম্প্যুটর, প্রিন্টর, লাইরিক, শান্নপোৎনচিংবা পোৎলমশিং তেংবাংখিবা

Vol. 44, Issue No.067 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, June 02, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# মণিপুরদা চৎনগদবা লোকদাউনগী অনৌবা কাঙলোনশিং লাউথোকখ্রে

## ইম্ফাল অমদি অতৌ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা নুংথিল পুং ২দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈরগনি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল সিটি অমদি অতৈ দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস পুম্নমক্তা জুন ১৫ ফাওবা নুংথিল পুং ২ দগীনা মথংগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেস বাবুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদদি জুন ৩০ ফাওবা নুংমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী মথংগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈগনি হায়রি।

নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিদা নেসনল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় কুমার ভালানা জুন ৩০ ফাওবা লৈবাক অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন পুম্নমক্তা লোকদাউনগী মতম শাংদোক্লে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কন্টেনমেন্ট জোন নত্তবা অতৈ মফমশিংদা তাঙ্কক নাইনা অথিংবশিং কোমথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অসিগী মতুং ইন্না জুন ৩০ ফাওবা ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা মখা তানা অথিংবা থমখিগদবা থবক-থৌরমশিংদি ইন্টর ষ্টেট বস সর্ভিসশিং (হোম দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীবা য়াওদনা); ইন্টর-দিষ্ট্রিক্ট পব্লিক ট্রান্সপোর্ট (হোম দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীবা য়াওদনা); ওটো রিক্সো, টেক্সি, ৱিংগর অমদি মান্নবা মখলগী পব্লিক ট্রান্সপোর্ট; স্কুল, কোলেজ, এদ্যুকেসনেল/ট্রেনিং/কোচিং ইন্সটিট্যুসনশিং; হেল্থ/পুলিস গর্ভর্নমেন্টকী ওফিসর/ হেল্থ ক্যের ৱর্কর/টুরিষ্টশিং য়াওনা পন্দুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ইপিদমিওলোজিষ্টশিংগী ৱা তাবগী মহুৎতা ব্যুরোক্রেটশিংগা তানবদগী শোয়রকপনি : এক্সপার্ট

ন্যু দিল্লি, জুন ০১ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংবু মরুওইবা মেদিকেল প্রোফেসনলশিংগী এসোসিএসন অহুম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন পব্লিক হেল্থ এসোসিএসন, ইন্দিয়ন এসোসিএসন ওফ প্রিভেন্টিভ এন্দ সোসল মেদিসিন অমসুং ইন্দিয়ন এসোসিএসন ওফ ইপিদমিওলোজিষ্টনা পুন্না থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরে। তানফম অসিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিনবা হায়বসি তরাই-তরাইবা থৌরাং নত্তে।

ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী সেন্টর ফোর কম্যুনিটি মেদিসিনগী ডা. সচি কান্ত অমদি বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ওইরম্বা ডা. দি সী এস রেদি য়াওনা খুৎয়েক পীরগা থাদোরকখিবা চেরোল অদুগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌরিবসি খ্বাইদগী তমথীবা থৌরাংনি

...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মণিপুরগী কেস মশীং ৮৩ য়ৌখ্রে, লায়েংলকখিবা ৩না নেগেটিভ ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): মপান্দগী হল্লকখিবা মীওই কয়া মথং-মথং কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মতুংদা অনৌবা কেস ১২ হেনগৎলকপদগী মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ৮৩ শুখ্রে। কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবদগী জেনিমস হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরকখিবা মমা-মচা য়াওনা মীওই ৩ নেগেটিভ ওইখ্রে।

অনৌবা কেস ১২ অসি মে ৩১গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ মতুংদগী ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা থেংনখিবনি। ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা জেনিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা মীওই মরি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মখোয় মরিগী মনুংদা চেন্নাইদগী হল্লকখিবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ১৭ অমসুং ২৬ শুরবা মীওই অনী অমসুং উত্তর প্রদেশতগী হল্লকখিবা মশাগী চহী ১৮ শুরবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অনীনি।

রিমসকী ভি আর দি এলদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অহুম পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই অহুম অসি দিল্লি, উত্তর প্রদেশ অমসুং হাইদরবাদতগী হল্লকখিবা মশাগী চহী ২২ অমসুং ২৩ শুরবা নুপা অনী অমসুং মশাগী চহী ২২ শুরবা নুপী অমনি।

রিমসকী ভি আর দি এলদা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌবদা মীওই অনী অমসুং জেনিমসকী ভি আর দি এলদা টেষ্ট তৌবদা মীওই অহুম পূন্না মীওই মঙানা ঙসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। রিমসতা ঙসি পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওই অনী অদুদি দিল্লিদগী হল্লকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ২৫ শুরবা নুপা অমা অমসুং চেন্নাইদগী হল্লকখিবী কামজোং দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ১৯ শুরবী নুপী অমনি। অদুগা জেনিমসতা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# কোর্টনা জেলদা থাজিনখিবা একুজ ১ এন এ বিনা ময়াং ইম্ফালদগী ফারে হায়রকপদা পুমঙক ঙক্নখ্রে

## কোর্টনা জেল এস পিদগী একুজ অদুগী ষ্টেটস রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে

**মাইবম ধনবির**

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): পীকচরবসু ষ্টেট অসিদা অঙকপা মঙগুম্বা থৌদোকশিং হেক-হেক থোরকপগী মখা তারকপদা তাবদা থাজরোইদবা থৌদোক অমা ওইনা ক্রিমিনেল ট্রাইয়ল কোর্ট অমগী ফোর্মেল ওইবা ওর্দর অমদগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থমখ্রবা একুজ অমা অতোপ্পা কেস অমগা মরী লৈননা ময়াং-ইম্ফালদগী ফারে হায়না নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি)না ফোঙদোরকপদগী পুমঙক ঙক্নখ্রে।

ষ্টেট অসিগী লো এনফোর্সিং এজেন্সী অমসুং ট্রাইয়ল কোর্ট অমদা থোকহনফম থোক্তবা থৌদোক অসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (নার্কোটিক্স ড্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস) এন দি এন্দ পি এসতা থোকখিবনি। অঙকপা থৌদোক অসিগী মতাংদা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস)না ঙসি (জুন ১, ২০২০)দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হায়বদা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা একুজ অদুগী মমিং অমর খান কৌই হায়রি।

এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৯ (২) ২০১৯ অন্দর সেক্সন- ২১ (সী)/ ৬০ (৩০) এন দি এন্দ পি এস এক্টতা চেন্নবা একুজ অসি মমাংগী কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ২৭তা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) অসিদা সরেন্দর তৌরকখিবনি হায়রি।

মহাক্না কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা সরেন্দর তৌরকপা নুমীৎ অসিদা কোর্ট অসিগী মতমসিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭





## HL Poll

Q: Leingakna Khang heiraba epidemiologist sing tanaba watpana COVID-19 gi case mashing ka-henna yamkhatlakpani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: COVID-19 gi laichat laksinnaba Manipur da June 30 phaoba lockdown sangdoklagani hairibasi achumba khongthangni khanbara?

Yes 66% No 34%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.২৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৪.০১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.২৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- মণিপুরদসু মী য়ান্না নাবা হৌরে ঐদদি য়াওবীদবা...!



- ঐসু ঐদদি ঐখোয় ইমুংদা নাবীদবা হায়না লাই খুরুম্মুনি...!

# এদভর্টিজমেন্ট ফোঙখিবগী পন্দুনা লৈরিবা বিলশিং পীথোকখিনবা চীফ সেক্রেটরিনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): পাউ চেশিংদা লৈঙাক্কী এদভর্টিজমেন্ট ফোঙখিবগী পন্দুনা লৈবা বিলশিং অথুবদা পীথোকখিননবা চীফ সেক্রেটরিনা মরী লৈনবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংনা খঙহনখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়, তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙখিবগী বিল কয়া পন্দুনা লৈরে হায়বা এদিটর'স গিল্ডকী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবা লৈখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৫

# মীদিয়া পর্সনশিংনা কোভিদ-১৯গী খূদোংথিবা নংলবদি কম্পেন্সেসন পীরগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা হোৎনবদা ফ্রন্টলাইনদা থবক তৌরিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীদিয়া পর্সনশিংনা লায়না-লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা খূদোংথিবা নংলবদি লৈঙাক্না কম্পেন্সেসন পীরগনি। কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি লুপা লাখ ৫/১০ রোমগী চাংদা পীগদ্রা হায়বদু কেবিনেটকী মীফমদা পুথোক্তুনা খন্নরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্নরিবা মীদিয়া

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫